# ফৌ পান্বীদা মওং চুন্না হার চাইবগী তঙাইফদবা

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

লেংলি পাল্লিবা জীব খুদিংমক চিঞ্জাক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। অসুম্না পান্বীশিংনা মখোয়গী মচিঞ্জাক অসি মখোয়না হৌরিবা মফম অদুগী লৈবাক্তগী লৌই। ঐখোয়গী লৌফমদা হৌরিবা ফৌ অমদি অতোপ্পা পান্বীশিংনা লৈবাক্তগী মখোয়গী মচিঞ্জাকশিং লেপ্তুনা লৌথোক্লগা হাপচিনবদি য়াওদ্রবদি লৌফম অদু পোৎ থাবা য়াবা মফম ওইরক্লোই। লিশাং শিৎনা লৌউ-শিংউগী শিনফম পায়খৎলকপা অমদি হেন্না চাথোক লৈবা, লৈবাক লৈহাও হেন্না চুপখৎখিবা ঙম্বা পান্বীশিং কুইনা শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা মহৌশাদগী লৈরকপা পান্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা লৈহাওগী চাং অসি অসুক্কী মতিক নেমখ্রে মদুদি পান্বীনা মথৌ তারিবা চাংসি পীবীবা নৎত্রবদি পান্বীশিং মপূং মরৈ ফাবা ঙম্লোই অমদি চাথোক হন্থগনি। তোঙান তোঙানবা পান্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা মচিঞ্জাক মখল খরদি পান্বীনা চাং য়াম্না চুপখৎপনা মরম ওইদুনা লৈবাক্তা অসিগুম্বা মচিঞ্জাকশিং অসি য়াওবগী চাং অসি মথৌ তাবা চাং অদু য়ৌবা ঙমদে। মরম অদুনা খুদোংচাদবশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক ষষ্ঠি-ষণয়ুং নৎত্রগা খূৎশেমগী হারশিং হাপ্পগী মথৌ তাই। নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ হায়রিবা মচিঞ্জাক মখলশিং অসি অয়াম্বা ফৌ থারিবা লৌফমশিংদা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ষষ্ঠি-ষণয়ুং নৎত্রগা নাপি-শিংবীদগী শেম্বা হারসু মরাং কায়না ফংদবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না য়ুরিয়া, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাস হায়রিবা হার মখল অসি শীজিন্নদবা য়াদবা অমা ওইরি। অমরোমদা অমুক হার মখলশিং অসি কয়া য়াম্না, করম্বা মতম অমসুং মওংদা চাইগদগে হায়বসি খঙবা তঙাইফদে। তোঙান তোঙানবা হারশিং অসিগী তৌবা ঙম্বা অমদি শীজিন্নফম খেন্নবগী মতুংইন্না হারশিং অসি হাপ্পগী মওং অমদি মতমসু খেন্নগনি।

নাইট্রোজেন কৌবা পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচল অসি ফংনবগীদমক ঐখোয়না য়ুরিয়া অসি মপূং ওইনা শীজিন্নে। নাইট্রোজেননা পান্বীগী মনা/মউ থুনা চাওখৎহল্লি, পান্বীগী মনাগী অশংবা শরুক হেনগৎহন্দুনা নুংশা মঙালগী মতেংনা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং পাংই। নাইট্রোজেন হাপ্লবা পান্বীনা ফোসফরস, পোটাশ অমসুং কেলসিয়ম চিংখৎপদসু মতেং পাংই। পান্বী অমদা হোর্মোনশিং শেম শাবদসু তঙাইফদনা নাইট্রোজেন অসি চঙই।

সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা ফোসফেট, কেলসিয়ম অমসুং সলফরনা মপূং ওইনা য়াওই। সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ১০০ খুদিংদা ফোসফেট কেজি ১৬, কেলসিয়ম কেজি ১৮-২১ অমদি সলফর কেজি ৮-১১গী চাংদা য়াওই। ফোসফরসনা পান্বীগী মরূ অমদি মরা ফগৎহন্দুনা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল শুনা অমসুং য়াম্না লৌখৎপদা মতেং পাংই। লোয়ন-লোয়ননা ফৌ মচা পোকপা অমদি থুনা মপূং মরৈ ফাবদসু অচৌবা থৌদাং য়াই। সলফর অসিনা প্রোটিন অমদি তোঙান-তোঙানবা এমিনো এসিদ অমদি ফেট্টি এসিদশিং শেম্বদা চঙই। মসিনা থাও থোকপা পান্বীশিং অমদি হৱাই মখলশিংগী পোথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং পাংই। কেলসিয়মনা পান্বীগী সেলগী মপান থংবা কুয়োম শেম্বদা তঙাইফদনা চঙবগা লোয়ননা পান্বীশিংবু লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াই।

ম্যুরেটস ওফ পোটাশতা পোটাসিয়ম অসি পান্বীগী মরূ ওইবা মচিঞ্জাক্কী মচল অমা ওইনা য়াওই। মসিনা পান্বীবু মশা কনশিলহন্দুনা লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোকই অমদি হেন্না মরূ চঙহন্দুনা পোৎথোক হেনগৎহল্লি।

ফৌদা শীজিন্নগদবা হার মখলশিং অসি মখোয়না লৈবাক্তা তুম্বা অমদি মফম অমদগী মফম অমদা চৎপা ঙম্বগী চাংদা চাউনা খেন্নে। য়ুরিয়া হায়বা হার মখল অসি ঈশিংদা থুনা তুম্বগা লোয়ননা মফম অমদগী মফম অমদা থুনা চৎপা ঙম্বা হার ওই। মরম অদুনা পান্বীনা শীজিন্নহৌদনা অরেম্বদা মাঙখিগদবা হারদগী কঞ্জনবগীদমক অমুক চাইবদা য়াম্না চাইবা য়াদে মচিৎ মচিৎ ওইনা তোয়না চাইবীগদবনি।

সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা য়াওরিবা ফোসফরস অসি লৈবাক্তা মানা লৈখিবা মফম অদুদগী য়াম্না শাংনা চৎপা ঙমদে। মরম অদুনা মানা লৈরিবা মফম অদুদা পান্বীগী মরাদা য়ৌরক্লবা মতমদা পান্বীনা কান্নবা লৌবা ঙমই। অসুম তৌনা হার মখল অসিগীদমক্তি পান্বীগী মরূ-মরানা লৈগদবা লৈবাক মনুংদা খোইজিনবীবা হায়বসি তঙাইফদবনি। অমরোমদা অমুক পান্বী অমগী চাথোক হেন্না ফংনবগীদমক পান্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা মরূ মরা শেমগৎপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইবনা পান্বীনা থাদ্রিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা হাপ্পীবা হায়বসি তঙাইফদবনি।

ম্যুরেটস ওফ পোটাশ হায়বসিদা য়াওরিবা পোটাসিয়ম অসিদি লৈবাক্তা কা হেন্না চৎকনবা অমসু নত্তে অদুগা লৈখিবা মফম অদুদগী লেংদবা অমসু নত্তে। মরম অসিনা শরুক খরনা পান্বী থাদ্রিঙৈ অদুগা শরুক খরনা পান্বীনা থাখ্রবা মতুংদা চাইবীগনি।

ফৌ পান্বীদা করম করম্বা হার মখলশিং কয়া য়াম্না চাইগদগে হায়বসি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতমদা হায়বা ঙমগনি। অদুবু চাংচৎতা মণিপুরগী ফৌ থানরিবা তম্পাক্কী অয়াম্বা শরুক্তা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা য়ুরিয়া কেজি ৩৪-৪০, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৬৫-৭৫ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ ১৩-১৭ চাইবীবা য়াই।

ফৌ পান্বীগী দরকার লৈবা হারগী অরূম্বা শরুকশিং ফৌ লিংনবগীদমক নৎত্রগা হুন্নবগীদমক অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈদা হাপ্পীগদবনি। লৌ লিংখ্রবা মতুং নৎত্রগা হুনখ্রবা মতুংদা হার অমত্তা হাপত্রি, হার কয়াম য়াম্না হাপকদগে হায়বা ৱাহং অসিগী পাউখুম য়াম্না লুই, য়ান-য়ানবা তৌরো হায়বা নত্তনা পাম্বে লৈতে। মরম অদুনা পান্বীনা দরকার লৈবা হারশিং অসি মতম চানা হাপ্পা হায়বসিসু তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি।

সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অপূনবা (কেজি ৬৫-৭৫), য়ুরিয়াগী শরুক তঙ্খাই (কেজি ১৮-২০), ম্যুরেট ওফ পোটাশকী শরুক অহুম থোকপগী অনী (কেজি ৮-১০) অসি ফৌ হুন্নবগীদমক নৎত্রগা লিংনবগীদমক অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈদা শোয়দনা হাপ্পীরগা খোইজিনবীদুনা ফৌ হুনবা নৎত্রগা লিংবা তৌবীগদবনি।

ফৌনা লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩০নি শুবা নৎত্রগা হুনখিবদগী নুমিৎ ৩৫-৪০নি শুবদা অনীশুবা হার চাইবীগদবনি। মতম অসিদা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা য়ুরিয়া কেজি ৮-১০ ফাওবা চাইবা য়াই।

অহুমশুবা অমসুং অরোইবা হার ফৌ লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০ নৎত্রগা ফৌ ওনখ্রবা মতুং নুমিৎ ৬৫-৭০নিশুবা ফৌনা মশা তাশিল্লক্তুনা মমি তম্বা হৌবা মতমদা য়ুরিয়া কেজি ৮-১০ অদুগা ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৫-৭কী চাংদা চাইবীগদবনি।

মতৌ অসুম্না হার মতম চানা, মওং চুন্না চাইবীদুনা অহেনবা পোথোক চাথোক পুথোক্লবা হোৎনবীগদবনি। ফৌ হুনখ্রবা নৎত্রগা লিংখ্রবা মতুংদা হার অমত্তা চাইহৌদ্রে, হার কয়া য়াম্না চাইগদগে হায়বা ৱাহং অসি হংবা তোক্লরসি। ●

# কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মনুংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌমীশিংদা পীবা চৎনা-কাঙলোন অমদি চেকশিন থৌরাংশিং -৯

**- ডা. টি ঐচ মোতিলাল -**

**কোভিদ-১৯গী মরমদা খঙজনবা থাজবা য়াবা অমদি অচুম্বশিং**

| মিথস | ফেক্টস |
|---|---|
| কোভিদ-১৯ ভাইরস অসি ২৫°সী নৎত্রগা নুংশাদা লৈবা কান্দা ঙাকথোকপা ঙম্বা? | লাল্লি, নুংশাগী মমাঙদা নৎত্রগা ২৫°সীদগী কোভিদ-১৯ ঙাকথোকপা ঙমদে। ভাইরস অসি নুংশা য়াক্না শাবা মফমদসু শন্দোকপগী পাউ থেংনৈ। ভাইরস অসিবু ঙাকথোক্নবা খূৎ-শা শেংনা হাম্বীদুনা মায়, মীৎ, নাতোন্নচিংবদা শোক্লোইদবনি। |
| কোভিদ-১৯না নারবদি পুন্সি চুপ্পা নারগা লৈগদ্রা? | লাল্লি, কোভিদ-১৯ অসি পুন্সি চুপ্পা লোয়নরগা লৈরোই, ফরকপা য়াওই। কোভিদ-১৯না নারুরবা মীওই অদু ভাইরস অসিদগী ফগৎলকপা ঙম্মী অমদি ভাইরস অদু মীওইবগী হকচাংনা হাৎপা ঙম্মী। করিগুম্বা কোভিদ-১৯না নারকপা মতমদা সিম্পটোমশিং অদু ফজনা লায়েংবীগদবনি। লোক খুবা, লাইহৌ হৌবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইত্রবদি মেদিকেল ক্যেরগা ফোন্দা তানবীগদবনি। মী অয়াম্বা কোভিদতগী ফরকপা ঙম্মী। |
| করিগুম্বা সেকেন্দ ১০ শ্বর থিংবা নৎত্রগা লোক খুদ্রবা অমদি লংসকী অনাবা লৈত্রবদি কোভিদ-১৯না নাদবা ওইগদ্রা? | লাল্লি, কোভিদ-১৯গী সিম্পটম হায়রগা লোক খুবা, ৱাগনবা অমসুং লাইহৌ হৌবনি। অতোপ্পা মীওইশিংদদি সিম্পটোম অসি নিমোনিয়া ফাওবা য়াওই। খ্বাইদগী লায়বা চাংয়েংদি লেবোরেটরিদা টেষ্ট তৌথোকপা অসিনি। ইশা ইতোমতনা শ্বর থিংদুনা শান্নরবসু খঙবা ঙমদে মদুনদুম খুদোংথীনীংঙাই ওই। |

| | |
|---|---|
| য়ু থকপনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপ্রা? | লাল্লি, কোভিদ-১৯ অসি অমদগী অমদা শন্দোকই অমসুং খুদোংথীনীংঙাই ওই। য়ু য়াম্না থকপনা হকচাংদা নারকপা য়াই। |
| কোভিদ-১৯ অসি অশাবা মফম, ঈশিং মনিল চাং ৱাংবা ক্লাইমেটতা শন্দোকপ্রা? | চুম্মী, য়াম্না শাবা অমদি ঈশিং মনিল চাং ৱাংবা ক্লাইমেটকী মফমদসু শন্দোকই। ক্লাইমেটকী মতুংইন্নদি য়াম্না চেকশিন-বীগনি। খ্বাইদগী ফবদি খূৎ-শা নিংথিনা হামদোকপীগদবনি। অসুম্না তৌরবদি ভাইরস অসিনা মায়, মীৎ, নাতোন, চিন শোক্ত্রিঙৈদা লায়না হাৎপা ঙম্মী। |
| উন তাবা মফম নৎত্রগা অঙৗংবা ৱেদরনা মহীক অসি হাৎতোকপা ঙম্বা? | ঙমদে, উন অমদি অঙৗংবা ৱেদরনা ভাইরস অসি হাৎপা ঙমদে। ভাইরস অসিবু অঙৗংবা মফমদা হাৎপা ঙম্মী হায়বগী মরম লৈতে। মীওইবগী টেম্পরেচর অসি ৩৬.৫°সী দগী ৩৭°সী ফাও ওইদুনা লৈ অতোপ্পা মপানগী টেম্পরেচর শাফু অমত্তা য়াওদনা। খ্বাইদগী ফবদি য়াম্না তোয়না খূৎ-শা হামদোকপা অমদি অলকোহোল য়াওবা হেন্দ রব শীজিন্নবা নৎত্রগা সাপোন অমদি ঈশিং শীজিন্নদুনা হামদোকপা অসিনি। |
| ঈশিং অশাবনা ইরু মায়থজবা অসিনা ভাইরস অসি ঙাকথোকপা ঙম্বা? | ঙমদে, ঈশিং অশাবনা ইরু মায়থজরসু ভাইরস অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমদে। হকচাংগী নোর্মেল টেম্পরেচর অসি ৩৬.৫°সী দগী ৩৭°সী ওইদুনা লৈ ইরু লুজরসু লুজদ্রসু। ঈশিং অশাবনা ইরুজবা অসিসু হকচাং শোকপা য়াই অমদি অশাবনা পোকপসু য়াই। খ্বাইদগী ফবদি য়াম্না তোয়না খূৎ-শা হামদোকপা অমদি অলকোহোল য়াওবা হেন্দ রব শীজিন্নবা নৎত্রগা সাপোন অমদি ঈশিং শীজিন্নদুনা হামদোকপা অসিনি। |
| অনৌবা কোভিদ-১৯ অসি কাংনা শন্দোকপা ঙম্বা? | লাল্লি, কাঙনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা ঙমদে। হৌজিকফাও কাঙনা ভাইরস অসি শন্দোকপগী পাউ লৈতে। অনৌবা ভাইরস অসি রেসপিরেটরি ভাইরস মখল অমনি। অদুগা ইনফেক্তেদ ওইরবা মী অমনা হকথি খনবা, লোক খুবা, মনপ-মতিন্দগী শন্দোকই। ইশানা ইশাবু ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবা খূৎ-শা তোয়না হামদোকপীদুনা মী অমগা মী অমগা শোক্ন শম্নবীগনু। |
| হেন্দ দ্রায়রনা ভাইরস অসিবু হাৎপা ঙম্বা? | লাল্লি, ভাইরস অসি হেন্দ দ্রায়রনা হাৎপা ঙমদে। ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবা ইশানা অলকোহোল বেজ য়াওবনা খূৎ-শা শেংনা হামদোকপীগনি অমদি পেপর টাৱেল নৎত্রগা এয়র দ্রায়রনা কংহনবীগদবনি। |
| অলত্রাভাইওলেট দিসইন-ফেক্সন লেম্পনা ভাইরস হাৎপা ঙম্বা? | ঙমদে, য়ু ভি লেম্পনা ষ্টেরলাইজ তৌরোইদবনি মসিগী য়ু ভি রেদিএসন অসিনা হকচাংগী উনশাদা হাকৎচরক্কনি। |
| থর্মেল স্কেনর অসিনা কোভিদ-১৯না নারবা মীদা কয়া য়াম্না খঙদোকপা ঙম্মী? | থর্মেল স্কেনর অসি ইফেক্তিভ ওই মসিনা মশা শাবা, লোক লাইহৌ খঙদোকপা ঙম্মী (নোর্মেল টেম্পরেচর-দগী হেল্লকপা তারবদি) মরমদি ভাইরস অসিনা মরম ওইরগা। কোভিদ-১৯ নাবা মী খঙদোকপা ঙমদে মরমদি নুমিৎ ২দগী ৯নি চঙগনি মশা নারকপা অমসুং ফেবর তৌরকপদা। |
| অলকোহোল নৎত্রগা ক্লোরিন চাইশিনবদা ভাইরস অসি হাৎপা ঙম্বা? | ঙমদে। হকচাং মনুংদা চঙখ্রবা ভাইরস অদু অলকোহোল নৎত্রগা ক্লোরিননা চাইশিন্দুনা হাৎপা ঙমদে। মসিগুম্বা চাইশিনবসিনা হকচাং (মীৎ, চিন) অমদি ফিরোলদা অকায়বা পীরকপা য়াই। মপান থংবশিংদা মসিনা শেংদোকপদা কান্নে অদুবু চাং চপ চানা হাপ্লগা শীজিন্নগদবনি। ● |

## ষ্টেটকী পাউ

### ঈদ-উল-অদাহগী য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস): ঈদ-উল-অদাহনা লাকপদা ভিলেজ কম্ম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী) গী রোবিন্দ্রো লাংপোকলাকপম, এভদাইজর ভি সী পি সীনা মীয়ামদা য়াইফ-থৌজাল পীরক্লি। লাল্লিবা ঈদ-উল-অদাহনা লাকপদা মালেম অসিদগী কোরোনা ভাইরস অসিবু মরূ ফংনা মুৎখিবা ওইরসনু। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ পূন্নমক নুংশি-চান্ননা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী লীপূন অসি অমুক্কা হেন্না চেৎপা ওইরসনু। ঈদ-উল-অদাহনা লাকপদা লমদম অসিবু ঈংনা চিক্না লৈবা লমদম অমা ওইহনবীরম্মু হায়নসু তাইবঙ মপুদা থৌনিজখি।

### লেৱা কোভিদ ৱারিয়র শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ অসিবু থেংননবা অচৌবা থৌদাং লৌনবা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) কোভিদ ৱারিয়র শেমখ্রে। এসোসিএসন অসিগী নহারোল ২১ শরুক য়ারিবা কোভিদ ৱারিয়রশিংগী দ্রেস, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্ক য়েন্থোকপগী থৌরম ক্লব অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

লোয়ননা লৈঙাক্না নুমিৎ ১০নি কর্ফিয়ু থল্লিবা অসিবু মপূং ফানবা হায়দুনা লন্বীদা মরম চাদনা লাকপা মীওই কয়া ময়ূম ময়ূমদা হলহনখি অমদি মরম চাদনা লমজাও থোরকপসু কূপ্না শেন্নদুনা থোকহনখিদ্রে। লোয়ননা লাউদ স্পীকর শীজিন্নদুনা কোভিদ-১৯ শন্দোরক্তনবা ৱাফম কয়াসু থমখি হায়না লেৱানা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

### লাঙথেল স্কুল মরিগী মহৈরোয় ২৬৩ দা ষ্টদি রিডিং লেম্প খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস): ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী মনিরেদাগী মখাদা পীরকপা মহৈরোয়শিংগী ষ্টদি রিদিং লেম্প এ সী অসিগী লাঙথেলদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল মরিগী অপূনবা মহৈরোয় ২৬৩ দা এগ্রিকলচর এন্দ এলাইদ ফার্মরস ফাওন্দেসন (এ এ এফ এফ)না শীন্দুনা খূৎশিন্নখ্রে হায়না এ এ এফ এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম কান্তনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, এ এ এফ এফ গী প্রসিদেন্ট পাওনম শান্তিকুমারনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম পি ঐচ জি গ্রুপকী মিদিয়া এদভাইজর রাকেশ নাওরেম, এম এল এ পি ব্রোজেনগী পি আর ও, এস জয়দেব, বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি থাংজম ব্রজকিশ্বর, পূন্না হিংমিন্নসি গ্রুপ (পি ঐচ জি)গী মরু ওইবা মেম্বর ঐচ ইবোচৌবা, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ চাওবা, মেম্বর এম বোবি, এল শান্তি, এ শ্যামোলা, ৱাই লনধোনি, নাওরেম রোমিলা অমদি এ এ এফ এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম কান্তনচিংবা শরুক য়াখি।

মহৈরোয়শিংদা ষ্টদি রিদিং লেম্প য়েন্থোকপগী থৌরম অদুগী মতাংদা এম এল এগী পি আর ও, এস জয়দেবনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অনীরকশুবা ওইনা ৱাংজিং তেন্থা এ সী অসিগী মহৈরোয়শিংদা ষ্টদি রিদিং লেম্প য়েন্থোক্লিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মনিরেদা দিপার্টমেন্টনা এ সী অসিগী এম এল এ পি ব্রোজেনগী খূৎথাংদা পীরকপা লেম্পশিংনি। ঙসি য়েন্থোক্লিবা লেম্পশিং অসি হান্না এপ্লায় তৌরকখ্রবা লাঙথেলগী তোঙান তোঙানবা স্কুল মরিগী অপূনবা মহৈরোয় ২৬৩ দা য়েন্থোকপনি। লায়রবা খুঙ্গংগী মহৈরোয়শিং অসিনা লাইরিক পারিঙৈমতমদা মৈ মুৎখিবদগী মহৈরোয়শিংগী ৱাখলদা লৈরম্বা চমন্নবা পূন্নমক অপীকপা লেম্প অসিগী মঙালসিনা কোকহন্দুনা হৌরক্লিবা ঙসিগী নহারোলশিংদা অনৌবা মঙাল অমা পীনবগী ৱাখল্লোন দা য়েন্থোকচবনি হায়খি।

বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি থাংজম ব্রজ কিশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা- ঙসি ষ্টদি রিদিং লেম্প য়েন্থোকখিবা স্কুলশিং অদুদি সাইনিং একাদেমি লাঙথেলগী মহৈরোয় ৮৭, লাঙথেল মন্দাকিনি অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী মহৈরোয় ৪, সেক্রেট সাইন স্কুল লাঙথেলগী মহৈরোয় ২৯ অমদি লাঙথেল হায় স্কুলগী মহৈরোয় ১৪৩নি। অপূনবা মহৈরোয় ২৬৩নি। এ সী অসিদা লৈরিবা স্কুলশিংগী মহৈরোয় কয়াদা মখা তানা লেম্পশিং য়েন্থোক্তুনা মহৈরোয়শিংদা কান্নবা কয়াসু পীখিগনি হায়খি।

লোকদাওননা মরম ওইরগা স্কুল কাদুনা লাইরিক তম্বা ফংদ্রগসু য়ূম য়ূমদা লৈদুনা লাইরিক পারিবা লাঙথেলগী মহৈরোয়শিংদা অসিগুম্বা লেম্পশিং খূৎশিন্নবগীদমক্তা মহৈরোয়শিংনা এ অসিগী এম এল ব্রোজেন অমদি এ এ এফ এফগী থৌমীশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

### ‘টোটেল কর্ফিয়ু অসিনা অকনবা চৈফু অমা শোয়দনা পীরগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস): সী পি আই/মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিলগী মখাদা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মীটিং মথং মনাও লেপ্পম্বশিং পূন্নমক য়ৈথোক্তুনা লৈঙাক্না কনশিল্লক্লিবা কোভিদতগী ঙাকথোক্নবা অকনবা কর্ফিয়ু, টোটেল কর্ফিয়ু লাউথোক্লকপদগী ৱারবসু লৈঙাক্কী থবক্তা সী পি আইনা ওবজর্ভ তৌজরি। অদুবু লায়রবা অমসুং শু-নোমদুনা লৈজবা লাইরিক-লাইশু হৈজদবা মীচম মীয়ামদদি টোটেল কর্ফিয়ু অসিনা অকনবা চৈফু অমা শোয়দনা পীরগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী হোমগী থবক পাঙথোক্লকপদা য়াম্না চেকশিন্না থবকশিং চথবীয়ু হায়না সী পি আইগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙল্লিবনি হায়দুনা হেক্তা ফূ-চৈবীবা, নমদুনা ফাইন লৌবা, ৱাখল য়াম্না খন্থরগা করিগীদমক মখোয়না লৈঙাক্না লাউথোক্লিবা অসি ইন্দ্রিবনো হায়বদু কূপ্না য়েংলগা এক্সন লৌবীয়ু। নোংমা-নোংমগী শু-নোমজবা, শেল তাঞ্জরগা হিংজবশিং করি চারগা হিংলমগনি। ইকায়খুম্নরবা সী এমনা ‘য়ূমদা লেংদনা লৈবীয়ু, চান-থক্নবা পূম্বা থিঞ্জরক্কে’ হায়বদু খূদক্তগী হৌবীফম থোকই। কর্ফিয়ুগী অথিংবা ঙাক্লিবা শেন্নরিবা পুলিসশিংনা কনা-কনানো চরা হেনবা য়ারবা মীশিং হায়বদু ওবজর্ভ তৌবীয়ু হায়রি।

লোয়ননা ৱাখল তাবা য়ারবা মণিপুরগী মীয়াম চাব-থকপগী ৱাদ্রবা মীওইশিং অমদি নহাশিংগী মরক্তসু ৱাখল তাদবা য়াওরকপশিংনা, কোভিদ লান্থেংনবদা শরুক য়ামিন্নসি, কর্ফিয়ুগী অথিংবা ইনমিন্নরসি হায়রি।

### বিজাং ভিলেজদা কোভিদ-১৯ পোষ্টর কেম্পেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচএনএস): সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মিদিয়ানা লেপ্তুনা চথরকপা কোভিদ-১৯গী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরম মীওই ১৪৫ রোম্না খুন্দাবা য়ূম ২৫ রোম লৈবা বিজাং ভিলেজদা কোভিদ-১৯ পোষ্ট কেম্পেন য়ূম য়ূমদা চঙ চঙদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেল ফীল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কেএসঐচ জেমসনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুশর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়দা কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈনা চৈথেং পূম্নমক খঙলে। অদুবু ঐখোয়না চেকশিনবা ৱাৎপগী মমি তারিবসি অফবা খুদম নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক চিংনবা লৈতনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগা লোয়ননা এস ও পি নীংথিনা ঙাকমিন্নদুনা কোভিদ লায়না অসি থিংমিন্নবগী পান্দমদা মনুং হঞ্জিনবা খুলশিংদা চৎতুনা কোভিদ-১৯গী ওইবা পোষ্টর কেম্পেন অসি পাঙথোকপনি। ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নবা নত্তনা লায়না অসি থিংবদা অৱাবা ওইগনি। চেকশিনবগী মথক্তা হেন্না চেকশিনমিন্নদুনা লায়না অসি থিংমিন্নসি।

ঙসিগী কেম্পেন অদুদা এন আর রাজেশ, প্রোপ্রাইটর এন আর মিদিয়াসু শরুক য়াখি।

**SPECIAL WHOLESALE RATES OFFER**

1. Indarum Herbal Immune Booster
2. Fever Care Capsule, Arthro Oil, Fat Burner, Panch Tulsi, Active Power
3. Onions, Potato, Sugar, Dal Beshan
4. Oximeter, Latex Gloves, Sanitizer, 3 PL Mask
5. Yarn (Lang)- Muga, Akhetpa/ Ashungba, One ply, Two ply Cotton Pashmina, Castor, Padama

Contact No. : 9004619348,
Keishamthong Elangbam Leikai
HL-P/6885/14-20

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

Ref. Mutation Case No. 392 of 2021
App :- 1. Sapam Kumar Singh S/o (L) Saphaba Singh of Khongyam
2. -do- Suranjoy Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Gopal Singh S/o (L) Ibohal Singh of -do-
-Vs-
Opp :- (Late) Sapam Ibohal Singh S/o Saphaba Singh of Khongyam.

/ **NOTICE**
Dated, 17th July, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 87- Nungoo পাট্টা নং 124 দাগ নং. 1077 এরিয়া 3.15 একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/9825/19
Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

Ref. Mutation Case No. 391 of 2021
App :- 1. Huidrom Manjuri Devi W/o (L) H. Tomba Singh of Serou.
2. -do- Ningthemba Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Inaomacha Singh S/o (L) -do- of -do-
4. Yumlembam Adition Singh S/o (L) Kaka Singh of -do-
-Vs-
Opp :- (Late) Huidrom Tomba Singh S/o Dewan Singh of Serou.

/ **NOTICE**
Dated, 14th July, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 94- Serou পাট্টা নং 94/498 & 94/497 দাগ নং. 1176/1533 & 1176/1534 এরিয়া .01 & .065 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্যু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

HL-P/9825/18
Sd/- Sub-Deputy Collector, Sugnu

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।